# সেপ্তেম্বর ৬ তগী রেলৱে প্রোজেক্ট থিংবা য়াওনা মখল কয়াগী খোঙজং চঙশিল্লগনি ঃ এস টি দি সি এম

ইম্ফাল সেপ্টেম্বর ০৪, (এস এন এস) ঃ

য়েলহৌমী মৈতৈ/মীতৈবু মশাগী শক্তম ঙাক্তুনা থম্নবগীদমক কনষ্টিট্যুসনগী ঙাক্লৌ ফঙনবা সেদ্যুল ত্রাইব লিষ্টতা চলহনবিয়ু হায়বা সেদ্যুল ত্রাইব দিমান্দ কম্মিটি মণিপুর (এস টি দি সি এম) গী দিমান্দ লৈঙাক্না তাবিদ্রবনিনা সেপ্তেম্বর ৬ তগী রেলৱে প্রোজেক্ট থিংবা য়াওনা মখল কয়াগী খোঙজং চঙশিল্লগনি হায়না কম্মিটি অসিগী কনভেনর এল রোমেসনা ফোঙদোকখ্রে।

দি এম কোলেজতা লৈবা ইমা খুন্থোকঙানবী শঙলেন্দা লৈবা এস টি দি সি এম গী ওফিসতা পাঙথোকপা পাউগী মীফম অমদা এল রোমেশনা হায়, এস টি দি সি এম না চঙশিল্লক্কদৌরিবা খোঙথাং অসি চাওখৎ থৌরাংগী মায়োক্তা লেপ্পা নত্তে। মৈতৈ/মীতৈ গী ঙাক্লৌ পীয়ু হায়বা ৱাফম্বু নাথেদুনা থল্লগা রেল লম্বী শেমজিল্লকপা হায়বসি চাওখৎপগী মিং দা য়েলহৌমী ওইজরিবা মৈতৈ/মীতৈবু মুখৎপা থুজিন্নবা চত্থরকপা লাল্লোংনি হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই। রেলৱে য়ৌরক্ত্রিঙৈদা কনষ্টিট্যুসনগী মখাদা ঙাক্লৌ অমা পীবিদুনা য়েলহৌমী কন্নবা লৈঙাক্না হোৎনবিয়ু হায়দুনা মতম মতমগী লৈঙাক্তা এস টি দি সি এম না তান্দুনা লাক্লি।

মহাক্না মখা তানা হায়, মৈতৈ/মীতৈবু ইন্দিয়াগী কনষ্টিট্যুসনগী আর্টিকেল ৩৪২ (এ) গী মখাদা সেদ্যুল ত্রাইব লিষ্টতা য়াওহন্দুনা কনষ্টিট্যুসনগী ঙাক্লৌ পীগদবনি হায়না মীওই লাক্ষ কয়ানা দেমোক্রেতিক ওইবা মওংদা খোঙচৎ অনীরক চৎখিবা লৈখ্রে।

হিরম অসিগী মতাংদা ইন্দিয়াগী মীনিষ্ট্রি ওফ ত্রাইবেল এফিয়ার্সনসু মণিপুর লৈঙাক্তা মখা খন্ননবা মথৌ তাবা রিকমেন্দেসন থারক্নবা কয়ারক হন্না খঙল্লকখ্রবনি। অদুবু লাইবক থিবদি মণিপুর লৈঙাক্না ঙসি ফাওবা থাবিদনা লৈরি।

চহীসিগী হৌখিবা মার্চ ৪ দা ফমখিবা এসেমব্লি বদজেট সেসনগী অরোইবা নুমিত্তা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেন মশানসু দিমান্দ অসি য়ানিংই। মরম চাবা দিমান্দনি। রিকমেন্টসন থাবদা মথৌ তাবা দোক্যুমেন্টশিং শেম্নবা হোৎনরি হায়না ফোঙদোকখিবা লৈখ্রবনি।

ৱাফম অসিগী মখা পোন্না থা অহুমসিগী লৈঙাক্কী ওইবা করি থৌরাং পায়খৎলবগে হায়বা ৱারেপ ফোঙদোকপিরক্নবা ৱাফম থমখ্রবসু ৱাফম অমত্তা ফোঙদোরক্তবা অসিনা মীয়ামদা খোইশাওনবা পোকহল্লে।

কনভেনর এল রোমেশনা মখা তারদুনা হায়, লৈঙাক্কী থৌওং অসিনা য়েলহৌমী মৈতৈ/মীতৈ হিংবগী মরী লৈনবা ৱাফম অসিবু লুপ্না লৌদবদা নত্তনা নাথেনবা হোৎনবনি। এস টি দি সি এম না চঙশিল্লক্কদৌরিবা খোঙজং অসিবু রেল লম্বী শেম্বগী থবক পায়খৎপিরিবা রেলৱেগী ওথোরিটিনসু য়েলহৌমী মীয়ামগী ইহুল খঙবিদুনা মৈতৈ/মীতৈ এস টি লিষ্টতা চন্দ্রি ফাওবা মতম খরা শিঙ্খা লেপ্পিয়ু। ৱাফম অসি থওইদবা তারবদি মদুদা থোক্লককপা অফ ফত্ত পূম্নমক মশা মশানা অমসুং মণিপুর লৈঙাক্না পুগদবনি। লমদম অসিগী য়েলহৌমী মীয়াম লৈকাই লৈকাইগী ক্লব, মৈরা পায়বী মেম্বরশিংনা ঐখোয়গী শক্তম কন্দবা য়াদে। তুংগী মীরোল কন্দবা য়াদে খনবিদুনা এস টি দি সি এম না চঙশিল্লকপা খোঙজংশিংদা শৌগৎপিয়ু অমসুং শরুক য়াবিয়ু হায়না মখা তানা ফোঙদোকখি।

# ‘ৱাইথৌ ৱাটর সপ্লাই স্কিম অথুবদা মথৌ তৌহল্লু’

ইম্ফাল সেপ্টেম্বর ০৪, (এস এন এস) ঃ

চহী ৩ রোম থক্নবা অফবা ঈশিং পীরম্নবা ৱাইথৌ ৱাটর সপ্লাই স্কিমবু য়ানা য়ানা নমশিন্দুনা থমলিবা অসি অথুবা মতমদা মথৌ তৌহনবিয়ু হায়না অকোয়বদা তারিবা খুঞ্জাশিংনা লৈঙাক্কী পূক্লিং চংশিল্লক্লি।

ইং ২০০৬ তা মমতম অদুগী সি এম, ও ইবোবিনা উরেপ উয়ুং তমদুনা লুপা ক্রোর ৫৭ চঙনা শাখিবা স্কিম অসি ইং ২০১০ দা শঙ্গাদুনা ত্রাইয়েল তৌরম্লগা য়ানা য়ানা মথৌ তৌদনা অরেম্বা তাদুনা লৈরি হায়না স্কিম অসিগী অকোয়বদা তারিবা ৱাইথৌ, ৱাইথৌ চীরু, সামান তাংখুল, শাইজিন পাল্লক অমদি থিয়াম কোঞ্জিনগী মীয়াম্না পেন্দবা ফোঙদোরক্লি।

সামান তাংখুলদা পাঙথোকপা পাউমীশিংগা উন্নবা অমদা থিয়াম কোঞ্জিনদগী সি ঐচ সনায়াইমানা ফোঙদোকখিবদা, চহী ৩ রোম স্কিম অসিনা মথৌ তৌরিঙৈ মতমদা অকোয়বা খুল ৫ গী খুঞ্জাশিংদা ঈশিং ফঙহন্দুনা থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী মফম অয়াম্বদা ঈশিং ফঙহল্লমখি। অকোয়বগী খুল ৫ গী মীয়ামদসু থক্নবা ঈশিং ফঙহল্লু হায়না মতম অদুগী কোংগ্রেসকী মতমদা তকশিনখি। য়ানবা খরগী মখাদা অকোয়বগী ফিভম শোকহন্দনা ঈশিং ফঙহল্লগনি হায়না থাজবা পীরম্লগা মথৌ তৌহন্দনা হৌখিবা চহী ৬ রোম অসি খুঞ্জাশিংদা ঈশিং পীদনা লাক্লি।

নাকল অমরোমদা খুঞ্জাশিংনা থেংনরিবা অৱাবা অসি উবিবগী মহুত্তা ৱাইথৌ ৱাটর সপ্লাই না ঈশিং লৌরম্লিবা ৱাইথৌ পাৎ, চেকশাবী অমদি ফুমনাম পাৎতা ঈশিং লৌদুনা মীয়ামদা ঈশিং ফঙহনগদবদা ৱাটর সপ্লাই স্কিম অমা থৌবাল তাংজেংদা নৌনা শানবা সি এম বিরেননা উরেপ উয়ুং তমখিবা লাইবক থিবনি। শেল চঙনা শারগা য়ানা য়ানা মথৌ তৌদ্রিবা ৱাইথৌ ৱাটর সপ্লাই স্কিমবু অথুবা মতমদা মথৌ তৌহন্দুনা মীয়ামদা ঈশিং ফঙহনবিয়ু। থা অসিগী ৩০ ফাওবগী মনুংদা স্কিম অসি মথৌ তৌহন্দুনা অকোয়বগী খূলশিং য়াওনা মীয়ামদা ঈশিং ফঙহনদ্রবদি থৌবাল তাংজেং ৱাটর সপ্লাই স্কিমগী ঈশিং লৌফম ওইগদৌরিবা ৱাইথৌ অমদি ফুনাম পাৎতগী ঈশিং লৌবদা অকোয়বগী মীয়াম্ন থিংগনি হায়রি।

# লুচিংবা ফাজিনখিবা য়ানিংদবা ফোঙদোকখ্রে

ইম্ফাল সেপ্টেম্বর ০৪, (এস এন এস) ঃ

হন্দক সেন্টরদা পাল্লিবা বি জে পি না লুচিংবা লৈঙাক অসিনা লৌতুনবগী মওংদা কোংগ্রেসকী লুচিংবা দি কে শিভকুমার অমদি হান্নগী য়ুনিয়ন মিনিষ্টর পি চিন্দবরম ফাজিনখিববু য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা মণিপুর প্রদেশ য়ুঠ কোংগ্রেস কম্মিটি (এম পি ৱাই সি সি) গী থৌমীশিংনা ঙসি কোংগ্রেস ভাবন মমাঙদা খোল্লাও কয়াগা লোয়ননা খোঙজং চঙশিনখ্রে।

খোঙজং অসিদা শরুক য়াখিবা এম পি ৱাই সি সি গী প্রসিদেন্ট অমির হুসেন্না হায়, খোঙজং অসি লৈবাক শিনবা থুংনা ওল ইন্দিয়া য়ুঠ কোংগ্রেসকী পাউতাক মতুং ইন্না চৎখিবনি। হৌখিবা নুমিৎ খরগী মমাঙসিদা কোংগ্রেসকী লুচিংবা চিন্দবরমবু সি বি আই না অমদি দি কে শিভকুমারবু ইনকম টেক্স দিপার্টমেন্টনা ফাজিনখিবা অসি বি জে পি গী য়াম্না ঙকচাও থেকপগী থৌওংনি।

অসিগুম্বা বি জে পি না লৈঙাক পায়রি হায়দুনা তৌনিংবা তৌবা য়ারগনি হায়বগী মতাগুম চত্থরক্লিবা থৌওংশিং অসিবু লৈঙাক শিনবা থুংনা য়ানিংদবা ফোঙদোকপা ওইনা খোঙজং অসি চৎখবনি হায়না ফোঙদোকখি।

# মীওই অমা ফারে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০৪(এস এন এস)ঃ

হৌখিবা থা অসিগী ২ নোংয়াই মতুং পুং ১ রোম তাবা মতমদা চপ চাবা পাউ অমা ফংবদগী লিলোং পুলিস ষ্টেসন টিম অমসুং এন্তি সোসিয়েল ইলিমেন্ট প্রিভেন্সন য়ুথ কম্মিটি লিলোং চিংখম মখাগী মেম্বরশিংগা ওপরেসন চৎখবদা মীওই অমা য়াম্নবা ময়াই কাবা দ্রগকা কোন্ননা ময়ুমদগী ফারে।

পুলিসকী চেরোল অমনা হায়, ফারবা মীওই অদুগী মমিং এম দি অনৱার খান এলাইজ অচৌবা চহী২৬ অপোকপা লৈখিদ্রবা এম দি সমসুরদ্দিন কোই, লিলোং চিংখম মখাদগীনি। মঙোন্দগী এস পি কেপ্সুল ৮৩৬, দব্লিউ ৱাই টেব্লেট ১৮২ অমসুং ময়াই কাবা দ্রগ ওইনা শিজিন্নবা লোখু হিদাক বোট্টল ফংহলে। মহাক্কী মথক্তা লিলোং পুলিস ষ্টেসননা কেস অমা লৌখৎলে হায়রি।

# থৌরি য়াল্লগা শিরম্লে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০৪(এস এন এস)ঃ

ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী ইরিলবুং পুলিস ষ্টেসননা কোনবা পেবিয়া পন্দিট লৈকাইদা লৈবা মীয়াই চল্লবী নুপী অমা ঙসি অয়ুক ময়ুমদা থৌরি য়াল্লগা শিরম্লে।

প্রেসনা ফংবা পাউদা, লৈখিদ্রবী নুপী অদুগী মমিং মোইরাংথেম উজালা চহি ৫৩ মপুরোইবা এম ধনজিৎ কৌই হায়রি। মহাক ঙসি ময়ুমদা থৌরি য়াল্লন্দা ইমুং মনুংগী মীওইশিংনা থেংনরকপদগী লৌথরগা জেনিমস হোস্পিটালদা পুখৎলকপগী লম্বীদা লায়কন্নবা নংদা লৈখিদবনি হায়রি। মহাক্কী অশিবা হকচাং অদু জেনিমসকী মোর্গতা পোষ্ট মোর্টেম তৌরবা মতুং ইমুং মনুংগী মীওইশিংদা শিন্নখ্রে হায়রি।মীশি অসিগা মরী লৈননা ইরিলবুং পুলিস ষ্টেসননা য়ু দি (অননেচরেল দেদ) কেস অমা লৌখক্তুনা থিগৎপা হৌখ্রেসু হায়রি।

# দেন্টেল কোলেজ জেনিমসকী অহুম্নক শুবা ফাউন্দেসন দেগী থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০৪ (এস এন এস)ঃ

দেন্টেল কোলেজ, জেনিমসকী অহুম্নক শুবা ফাউন্দেসন দেগী থৌরম ঙসি জৱাহরলাল নেহরু ইন্সটিট্যুট ওফ মেডিকেল সাইন্স (জেনিমস) কী ওদিটোরিয়ম হোলদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা চীফ গেষ্টকী ৱারোল পীরদুনা ইন্নর মণিপুরগী মেম্বর ওফ পার্লিয়ামেন্ট ডা. আর কে রঞ্জননা হায়খি, ষ্টেট অসিদা রিমস হোস্পিটাল লাকখ্রবা মতুং ষ্টেট অসিদা মেডিকেল কোলেজ অমা লৈনবা কন্না হোৎনদুনা লাকখি। হৌজিক লৈরিবা দেন্টেল কোলেজ অসি মালেমগী থাক্তা লৈরিবা অতোপ্পা কোলেজশিংদগী তাদবা কোলেজ অমা ওইহন্নবা হোৎনবা মথৌ তাই। দেন্টেল কোলেজ অসি হৌদোরকপদা মপূং ওইবা থৌদাং লৌরকখিবা মীওইশিংনা কোলেজ অসি হেন্না চাউখৎনবা হোৎনবদা চঙশিল্লকপা খোঙথাং খুদিংমক্তা মতেং পাঙবিয়ু। ষ্টেট অসি মশাগী রিছোর্স মতীক চানা লৈজদ্রগসু হায়রিবা কোলেজ অসি লৈঙাক অসিনা স্পোন্সর তৌরি। কোলেজ অসি হেন্না চাউখৎনবা হোৎনবদা ঐখোয় খুদিংমক্না হীরম খুদিংমক্তা শৌগৎমীন্নসি।

ইন্সটিট্যুসন অসিদা অহেনবা মীৎয়েং চঙলিবা ষ্টেট অসিগী চীফ মিনিষ্টর, হেল্থ মিনিষ্টর মেডিকেল এদুকেসনগা মরী লৈনবা ওফিসিয়েল খুদিংমক হায়নিঙাই লৈতনা থাগৎলি। মালেমগী ওইনা চাউখৎলবা লৈবাকশিংদা শীজিন্নরিবা মতীক চাবা খূৎলাইশিং ষ্টেট অসিদা শীজিন্নবা ঙমদ্রবসু অসিগুম্বা খূৎলাইশিং ষ্টেট অসিদসু শীজিন্নদুনা লমদম অসিগী মীপূম খুদিংদা খ্বায়দগী ফবা মখলগী মেডিকেল ফেসিলিটিজ ফংহনবা ঙম্নক্কনি হায়বগী থাজবা থমলি। কোলেজ অসিগী অৱাৎপা ইনফ্রাষ্ট্রককচরশিং ইন্সটিট্যুসন অসিগী দাইরেক্তরনা লৈঙাক অসিগী খূত্থাং দা খঙহনবিরকউ। সেন্টরদা য়ৌহন্দুনা অৱাৎপশিং মেনখৎনবা হোনগনি। কোজেল অসি অৱাং নোংপোক্তা মমিং লৈবা কোলেজ অমা ওইহনবদা নত্তনা মালেমগী থাক্তা লৈবা কোলেজশিংগা মান্ননা লৈদুনা লমদম অসিগী মীয়ামদা খ্বায়দগী ফবা মখলগী দেন্টেল কেয়ার ফংহনবা ঙম্না ওইরগনি হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুগী নুংগী ওইবা ৱারোল পীরদুনা দেন্টেল কোলেজ, জেনিমসকী প্রিন্সিপাল প্রোফেসার নিদারশ ডা. হেগদেনা হায়খি, কোলেজ অসি ষ্টেট অসিগী শোত্থদুনা লৈরিবা অমা মেন-খৎনবগী পান্দমদা অমসুং মহৈরোইশিং দা অফবা মখলগী দেন্টেল এদুকেসন পীবা ঙম্নবা ৱাখল্লোন্দা লিংখৎখিবনি। দেন্টেল কোলেজ, জেনিমস অসি কুমজা ২০১৭ দা লিংখৎখিবনি। কোলেজ অসি ঙসিদি মণিপুরগী খ্বায়দগী ফরবা কোলেজ অমা ওইরি। কোলেজ অসি অহানবদা প্রোফেসার ১, এসিষ্টেন্ট প্রোফেসার ৫ অমসুং নেনিয়ার রেসিদেন্ট ডোক্তর ৩ খক্তনা হৌদোরকখিবনি। অদুবু ঙসিদি কোলেজ অসি প্রোফেসার, এসোসিয়েট প্রোফেসার, এসিষ্টেন্ট প্রোফেসার, সেনিয়ার রেসিদেন্ট, দেন্টেল সর্জিয়ন অমসুং নন-টিচিং ষ্টাফ কয়া লৈদুনা কোলেজ অসি হেন্না চাউখৎনবা হোৎনরি।

দেন্টেল কোলেজ অসিদা দিপার্টমেন্ট মাপল লৈরে। দিপার্টমেন্ট খুদিংমক মতীক চাবা ইকুইপমেন্ট লৈ। কোলেজ অসিনা নোংমদা অনাবা ১২৫ রোম য়েংবা ঙম্নে। ষ্টেট অসিগী মফম খুদিং লেন্না য়া লায়েংবগী কেম্প কয়া পাঙথোক্তুনা মীয়ামদা য়াগী মরমদা হেন্না খঙহল্লি হায়নসু মখা তাখি।

থৌরম অদুদা জেনিমসকী দাইরেক্তর প্রোফেসার টিঐচ ভিমো, জে নিমসকী দিন একাদেমিকস প্রোফেসার দব্লিউ জ্ঞানেশ্বর অমসুং জেনিমসকী মেডিকেল সুপরিন্টেন্দেন্ট প্রোফেসার এন জিতেন্দ্রনা মথং শিংনা প্রসিদেন্ট অমসুং গেষ্ট ওফ ওনরশিং ওইনা শরুক য়াখি।

# ৱাকৎ মীফম চত্থখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০৪(এস এন এস)ঃ

ইন্দিয়া পুম্বদা লৈরিবা মীদ দে মীলগী ৱার্করশিংনা মখোয়গী তোঙান তোঙানবা দিমান্দশিং তৌদুনা ঙসি চত্থখিবা প্রোটেষ্টকী শরুক অমা ওইনা মণিপুরদসু লম্ফেল পাটতা লৈবা এদুকেসন এসকী ওফিসকী গেটতা ৱাকৎ মীফম চত্থবগা লোয়ননা চীফ মিনিষ্টরদা মেমোরেন্দম পীশিনখ্রে।

ঙসি অয়ুক্তগী হৌনা চত্থখিবা ৱাকৎ মীফম অদুদা শরুক য়াখিবী কৈশামথোং হোদাম লৈরক অপ্পর প্রাইমারি স্কুলগী মীদ দে মীলগী কুক মাইবম জমুনা পাউমীশিংদা হায়, মীদ দে মীল স্কিম অসি ভারতকী ষ্টেট অতৈদদি মণিপুরদা পীরিবা ওনরেয়িমদগী য়াম্না হেন্না পীরি।

পনবা য়াবদি কেরেলাদা নোংমদা লুপা ৫০০ পীরি। অতৈ ষ্টেটশিং হায়বদি হরিয়ানাদা লুপা ৩৫০০, অন্ধ্র প্রদেসতা লুপা ৩০০০, কর্নাতাকাদা লুপা ২৭০০, হিমাচল প্রদেস, ওরিষা অমসুং উত্তর্খন্দনা লুপা ২০০, পনজাবতা লুপা ১৭০০, বিহার, ছতিসগর, মহারাষ্ট্র, নোংচুপ বেঙ্গল অমসুং ত্রিপুরাদা লুপা ১৫০০ পীরি। মসিগী মথক্তা উত্তরখন্দ অমসুং কেরেলাদদি ফেষ্টিবেল বোনস লুপা ১০০০ অমসু পীরি। অদুগা দেদ কম্পেনসেসন অসি বিহারদা লুপা লাক্ষ ৪, হরিয়ানাদা লুপা লাক্ষ ১, কর্নাতাকাদা লুপা লিশিং ৭৫ পীরি। খুদোংথিবা থোকপগী কম্পেনসেসনসু অমদি চাক থোংবদা শেৎকদবা ফিরোলসু পীরি হায়খি।

# ওজাগী নুমিৎকী য়াইফ পাউজেল পীরক্লি

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০৪ (এস এন এস)ঃ

মণিপুরগী গভর্ণর ডা. নাজমা হেপ্তুল্লা, চীফ মিনিষ্টর এন বিরেন, ইদুকেসন মিনিষ্টর থোকচোম রাধেশ্যাম অমদি অতৈ মিনিষ্টরশিংনা হয়েং সেপ্টেম্বর ৫ দা পাঙথোক্কদৌরিবা ওজাশিংগী নুমিৎকা মরী লৈননা ওজাশিংগী মফমদা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি।

গভর্ণর ডা. নাজমা হেপ্তুল্লানা মহাক্কী পাউজেলদা হায়, চহী খুদিংগী ডা. এস রাধাকৃষ্ণগী মপোক নুমিৎ সেপ্টেম্বর ৫ দা ওজাশিংনা খুন্নাই অমদি লৈবাক অসিদা লৌরিবা থৌদাংবু ইকায়খুম্নবা উৎপা ওইনা ওজাগী নুমিৎ অসি পাঙথোকই। মহৈরোইশিংগী লমচৎ শেমগৎপা অমদি মখোয়বু মতীক চাবা সিটিজন অমমম ওইহন্নবা হোৎনবদা ওজাশিংনা মরু ওইবা থৌদাং য়ারি। ওজাগী নুমিৎ পাঙথোক্লিবা অসি স্কোলার, ষ্টেটসমেন অমদি ইকায়খূন্নবা ওজা ডা. রাধাকৃষ্ণগী মফমদা ইকায়খূম্নবা উৎপনি। ওজাশিংনা মতুংদসু ওইজবা য়াওদনা অমদি থৱায় য়াওনা মথৌ পাঙথোকখিগনি হায়না থাজে হায়না গভর্ণরনা মহাক্কী পাউজেলদা ফোঙদোক্লি।

চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেননসু অঙাংশিংবু রেস্পোন্সিবল সিটিজন ওইনা শেম্না জাতি অসিবু শেল্লিবনি। ইন্দিয়াগী অহানবা ভাইস প্রসিদেন্ট অমদি অনীশুবা প্রসিদেন্ট ওইখিবা ডা. রাধাকৃষ্ণনা ওজা অমা ওইনা খুন্নাইদা লৌরম্বা থৌদাং অদুবু নীংশিংদুনা ওজাগী নুমিৎ অসি পাঙথোকপনি। ওজাগী নুমিৎ পাঙথোকপদা ওজাশিংনা মহাক্কী ফীদম লৌদুনা কত্থোকপগা লোয়ননা মথৌ পাঙথোক্কনি হায়বগী থাজবা চীফ মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখি।

এদুকেসন মিনিষ্টর থোকচোম রাধেশ্যামনসু ওজাগী নুমিৎতা ওজাশিংদা য়াইফ পাউজেল পীরদুনা হায়খি, ওজাগী নুমিৎ অসিদা মহৈরোইশিংগী য়াইফনবগীদমক কত্থোকপগা লোয়ননা মথৌ তৌরিবা ওজাশিংদা কোক নোল্লি।

ৱার্ক্স মিনিষ্টর টিঐচ বিশ্বজিৎ অমদি অতৈ মিনিষ্টরশিংনসু ওজাগী নুমিৎকা লোয়ননা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি।

# মেদিকেল কেম্প মতম চানা পাঙথোক্তবা স্কুলশিংগী মথক্তা অকনবা মীৎয়েং চঙলগনি

ইম্ফাল সেপ্টেম্বর ০৪, (এস এন এস) ঃ

মহৈরোইশিংবু নমথাক তৌদুনা মেদিকেল ফি লৌরগা হেল্ঠ কেম্প মতম চানা পাঙথোক্তবা মহৈলোইশঙশিংগী মথক্তা মীৎয়েং চঙলগনি হায়না কো ওর্দিনেটিং কম্মিটি ওল মণিপুর য়ুঠস এন্দ ষ্টুদেন্টস ৱেলফিয়ার এসোসিয়েসনগী কনভেনর কে ঐচ রামেশ্বোরনা মহৈলোইশঙশিংগী পূক্লিং চিংশিল্লক্লি।

ৱাফম অসি ঙসি এসোসিয়েসন অসিনা শীন্দুনা চত্থবা হেল্ঠ কেম্পকী শরুক অমা ওইনা খোঙহাম্পাৎতা লৈবা ন্যু হোরাজন পব্লিক স্কুলদা পাঙথোকখিবা হেল্ঠ চ্যেক অপ কেম্পতা ফোঙদোকখিবনি। ঙসিগী কেম্প অদুগা মরী লৈননা রামেশ্বোরনা, বোর্দিং চলাইবা মহৈলোইশঙশিংদা থা খুদিংগী অমদি দে স্কোলারশিংগী ওইনা থা ২ নৎত্রগা ৩ খুদিংগী হেল্ঠ কেম্প চ্যেক অপ পাঙথোকপগী কাংলোন লৈরবসু মহৈলোইশঙশিং অমত্তা মপূং ফানা কাংলোন অসি ঙাক্তুনা চৎত্রি। ঙসি এসোসিয়েসন অসিনা হৌদোক্লিবা হেল্ঠ চ্যেক অপ কেম্পে অসিগী মনুং চন্না অহানবা ফেজকী ওইনা পূন্না মহৈরোই ৩০ খনগৎতুনা মতম চানা মেদিকেল চ্যেক অপগী খুদোংচাবা অসি ফঙহনগনি হায়খি।

মহাক্না মখা তারদুনা, মরী লৈনবা জেৎ ই ও ষ্টাফশিংনসু টেবল ৱার্ক খক্তমক লৌবগী মহুত্তা মহৈলোইশঙশিংদা চৎতুনা য়েংশিনবগী মতম ওইরে। মহৈরোইশিংবু লাইরিক তম্বীবা খক্তনা মতিং লৈবা খুন্নাই অমা ওইবদা চাওনা মায় পাকপা ঙল্লোই হায়বগী ৱাখল্লোন খত্থমীন্দুনা মতম চানা হকশেলগী চ্যেকঅপশিং পাঙথোকমীন্নসি হায়না মহাক্ন মখা তানা ফোঙদোকখি।

# তোঙান তোঙানবা লানহৌবা অহুম ফারে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০৪ (এস এন এস)ঃ

লোনা থিংখ্রবা তোঙান তোঙানবা লানহৌলূপ অনীগী মীওই অহুম বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট পুলিস অমদি থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট পুলিসনা ফারে।

পুলিসকী চেরোল অমনা হায়, ঙরাং সেপ্তেম্বর ৩গী অয়ুক পুং ১১.৩০ রোম তাবা মতমদা চপ চাবা পাউ অমা ফংবদগী বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট পুলিস কম্মান্দো টিমনা ক্বাক্তা কৈথেলদা ফ্রিস্কিং এন্দ চেক্কিং চত্থবদা লোনা থিংখ্রবা লালহৌলূপ আর পি এফ-পি এল এগী এক্তিভ ৱার্কর অমা রিমোট কন্ত্রোলগী আই ই দি বোম অমগা কোন্ননা ফারে। ফারবা মীওই অদুগী মমিং এম দি সিরাজ অলি এলাইজ বোইজা অপোকপা এম দি সামসিন অলি কৌই, ক্বাক্তা মরোং লৌ ৱার্দ নম্বর ৮ দগীনি। মহাক্কী মথক্তা মোইরাং পুলিস ষ্টেসননা কেস অমা লৌখক্তুনা থিজিনবা হৌখ্রে হায়রি।

অমরোমদা, নুমিৎ অসিমক্কী নুং থিল পুং ৩.৩০ রোম তাবা মতমদা থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী কম্মান্দো টিম অমনা ক্যাম সিফাই থোং অহনবীদা ফ্রিস্কিং এন্দ চেক্কিং তৌবদা লোনা থিংখ্রবা কে সি পি (নোয়োন) গ্রুপকী মেম্বর অনী ফারে। ফারবা মীওই অদুদি থৌবাল ক্যাম ময়াই লৈকাইদগী থিঙুজম ইনাওচা চহী ৫০ অপোকপা লৈখিদ্রবা টিঐচ রোতোন অমসুং থৌবাল ক্যাম সিফাই তাংজেনদগী নিংথৌজম ইঙোচা চহি ৫০ অপোকপা লৈখিদ্রবা এন য়াইমা মীতৈনি। মখোয় অনীগী মথক্তা থৌবাল পুলিস ষ্টেসননা কেস অমা লৌখক্তুনা থিগৎপা হৌখ্রে হায়রি।

# টিচর দেগী থৌরম থিংলুবশিং ফানবা ...

*লমায় ১গী মখা ...* ফজনা ৱারি শান্নরগা চৎলবসু লোইশিল্লকপদা অদুইসু হায়বগী মওংদা চত্থদুনা লৈরি।

করিগুম্বা অপীকপা ইশু মচা অমগীদমক লমদম অসিদা তয়ার মৈ থাবা, উ য়াম্ছৎলগা লম্বীদা থিংবা অসি লমদম অসিদা অপীকপা ওইনা উরবসু মপান লমদা চৎখিবা মতমদা মণিপুর অসি মী চংবা য়াদবা লমদম অমা ওইনা উদুনা য়াম্না মওং মরিল তাদবা ফিভম অমা ওইনা লৌনরিবনি। মসিগী ফিভম অসি য়ারিবমখে থোকহন্দনবা বন্দ ব্লোকেন্দ তৌহন্দনবা পীক্কেরা চাউগেরা ইশু অমা লাকপা মতমদা লৈঙাক্না উন্নদুনা ৱারি ৱাতায় তৌরগা লোইশিন্নবা ঙাক্তনি।

মণিপুর অসি মমাঙগী চহীশিংগা য়েংনবদা হৌখিবা চহী অনীরোম অসিদা ফোরেন টুরিষ্ট লিশিং ৮ দগী ১০ ফাওবা লাক্লবনি।

বেবিসনাগী মীশিগী মতাংদা চীফ মিনিষ্টরনা হায়, থৌদোক অদুগী মতাংদা এসেমব্লিগী ফ্লোরদা ময়েক শেঙনা চে চাংগা কোন্ননা শেংদোকখিবা লৈখ্রে। সি বি আইদা কেস অদু শিন্ননবা দি ও পি টিগী খুত্থাং দা চে ইখ্রে। মসি সি বি আইনা কেস লৌবা লৌদবদি লৈঙাক্ন হায়বা ঙম্বা নত্তে। অদুবু কেস অসি লৌবিনবা তকশিনমিন্নসি হায়জখ্রবনি। লৈঙাক্না হায়জরিবা অদু তাবিবগী মহুত্তা কেস অদু সি বি আইদা শিন্নৌ বন্দ হন্দোক্কে হায়না য়েক্তুনা লৈবসি করি হায়গদৌরিবনো হংখি।

হৌজিক্তি মতম অমগী লৈকাই হৌরবদি থাংজৌ পায়রগা ইন্নৌ হায়বগী মতম অদু নৎত্রবনি। লমদম অসি মতম খরদংদি ইংনা চিক্না লৈমিন্নসি হায়খি।

মণিপুর অসি টুরিজম খক্তনা হিংবা য়াবনি বন্দ ব্লোকেদ, তয়ার মৈ থাবগী থবক তোক্লসি। বন্দ, রেল্লিগী শাফু অসি মপান লমদমশিংদা অফবা পাউ ওইনা য়ৌদে। লৈবাক কায়গদৌবা লৈরবা, অপুনবগী শক্তম কায়গদৌরে হায়বা লৈরবদি লৈঙাক পায়রিবা ঐখোয়না মাঙ থারগা চোংথোকপীগে হায়রিবনি। অপীকপা ইশু মচা মচাদা বন্দ ব্লোকেন্দ চত্থবদা মীয়াম্না য়াওবিদনবা আপীল তৌখি।

হৌজিক লৈরিবা ফিভম অসিদা অসুম চত্থবা তারবদি মণিপুরনা করম্না চাউখৎ লম্বীদা মাঙলোমদা চঙশিনবা ঙমগদৌরিবনো হায়খি। অসিগুম্বা অয়েৎ অপন কয়া অসিনা লৈঙাকপু চাউখৎ থৌরাংদা মায় ওনশিনবা ঙম্লক্তে।

চহী অনী ফারক্লবা লৈঙাক্ন মীয়ামগী য়াইফনবা খরমখে তৌরি। লৈত লায়র অশোন অনাশিংগী লায়েংনবা, য়ূম কৈ লৈজদবশিংগী য়ুম কৈ শানবা, লাইরিক লাইশু তম্বা ঙমজদবশিং লাইরিক হৈরগা থবক ফংদ্রিবশিং য়াইফ থৌরাংগী থবক কয়া পায়খৎলি। অদুবু চত্থরিবা থৌদোক ৱাথোক মচা মচাশিং অসিনা মসি মাঙলোমদা চংশিনবা ঙমদনা লৈরি হায়খি।

চীফ মিনিষ্টরনা মখা তানা হায়, মীয়ামগী থক্না চান্নবা অফবা ঈশিং পীনবা ব্রিক্স লৈবাক্কী নিউ দিভলপমেন্ট বেঙ্কতগী লুপা ক্রোর লিশিং ৩ খরা হেন্না সেঙ্কসন তৌরে। সিংদা দাম অমসুং খৌপুম দাম মেজর রিপিয়ারিং তৌনবা পৈশা পীরক্লে। ইম্ফাল বেরেজ অমসুং সেকমাই বেরেজগী শেমজিন্নবসু কন্না তক্লরি। ককচিংগী ত্রেজরি ওফিস অসি অথুবদা শঙ্গানবা হোৎনরি হায়খি।

ঈকং থোকপগা মরী লৈননা চীফ মিনিষ্টরনা হায়, নোং চুদবনা মরম ওইরগা লমদম অসি ঈকং থোক্কে হায়না লৈঙাক্ন লাওথোকখ্রে।

মদুগী মরিক চুম্বা সর্ভে অমা মরী লৈনবা দিষ্ট্রিক্টশিং গী দি সি শিংনা চত্থরি। মসিগী রিপোর্ট অসি থাগৎলগা সেন্টরদগী শেছ্থং পীবিনবা তক্লগাদৌরিবনি। মসিগী মরক অসিদা খারিফ লৌরোক্তা লৌ পানবা য়াদ্রবা লৌফমশিং অসিদা অতোপ্পা মহৈ মরোং থানবা থৌরাং লৌখৎনবগীদমক এগ্রিকলচর দিপার্টমেন্টনা লুপা ক্রোর ১৩ পীবিয়ু হায়না নিরকপনি। মসি ফাইনান্স য়াওনা খন্নরবা মতুংদা খুদক্তা লুপা ক্রোর ৬ অহানবগী ওইনা এগ্রিকলচর দিপার্টমেন্টতা পীরগনি। মসিনা লৌমীশিংনা অপাম্বা মহৈ মরোংশিং থানবা থবক লৌখৎকদৌরিবনি হায়খি।

মণিপুর অসি মী য়াম্না ফরবসু চিঙ্গাক অমসুং লমচৎ ফত্তবনা মীওই কয়া পুন্সি পীখম্নখ্রে। মসিনা নুপী কয়া নৌনা লুখ্রা ওইহৌনবগী মরম ওইহল্লে হায়খি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা হেল্ঠ এন্দ ফেমিলি ৱেলফেয়ার মিনিষ্টর এল জয়ন্তকুমারনা ককচিং দিষ্ট্রিক্ট ওইনা দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল অমা থম্নগী তঙাইফদবা লৈ। দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল অমা শাগৎনবা সেন্তরদা প্রপোজেল থাদুনা তকশিল্লিবনি। ষ্টেট অসিগী শেল থুমগী ফিভম ফত্তবনা মরম ওইরগা ডাক্তর অমসুং নর্সকা লোয়ননা অতৈ ষ্টাফশিংগী অৱাৎপা লৈবনা ককচিং সি ঐচ সি য়াওনা হেল্ঠ সেন্টরশিংদা মতিক চানা ষ্টাফ থম্বা ঙমদ্রি হায়খি।

রেভিন্যু মিনিষ্টর কে শ্যামনা হায়, রেভিন্যু দিপার্টমেন্ট অসি এদমিনিষ্ট্রেনগী য়াংলেন শরুগুম্বনি। চুম্নগী লম তুগী থবক্তা নত্তনা মীখলগী মতমদা, ঈশিং ঈচাউগী মতমদা অমদি অতৈ অতৈ হিরম কয়াদা রেভিন্যুগী মীওইশিং শিজিন্নরিবনি।

অদুবু দিপার্টমেন্ট অসিদা ষ্টাফ ৱাৎপগী অৱাবা কয়া মায়োক্নরি হায়খি। থৌরম অদুদা ককচিং এ সিগী এম এল এ ৱাই শুরচন্দ্র অমসুং ৱাবগাই এ সিগী এম এল এ এম দি ফজুর রহিমসু শরুক য়াখি।

# থাংজ নুমিৎ খুদিংগী মহৈরোইশিং লাইরিক খাউ পুদনা স্কুল ...

*লমায় ১গী মখা ...* থোক্তুনা থবক লৌখৎপা হৌখ্রে।

দিপার্টমেন্ট অসিগী কম্মিস্নার এদুকেসন (এস) টি রঞ্জিৎনা খূৎয়েক পীদুনা থোকখিবা ওফিস মেমোরেন্দম অমনা খোঙথাং অসি খুদক্তগী চৎনবা হৌগনি হায়রি।

ওফিস মেমোরেন্দম অদুদা পনলিবা ৱাফমদি ক্লাস ৱানদগী আইট ফাওবগী মনুংদা তম্লিবা মহৈরোইশিংনা নুমিৎ খুদিংগী লাইরিক খাউজাও পুদুনা স্কুল কাবা অসিনা মখোয়গী হকচাং অমসুং ৱাখলদা চৈথেং পীরকপগা লোয়ননা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্নহনবতা নত্তনা হকশেলগী প্রোব্লেম অমসুং মশাদা নুংঙাইতবা ফাওহনবা কয়া অদু য়েংলগা মদুগী ফিভম অদু হন্না য়েংশিন্দবা য়াদবা ফিভম অমদা লাক্লে।

নুমিৎ খুদিংগী স্কুলগী করিকুলম, সিল্লেবসকী মথক্তা অহেনবা হোম ৱার্ক, এসাইনমেন্টনচিংবা কয়া হোৎনবদা অঙাং অমা ওইবগী লাইফ স্কিল হেনগৎহন্নবা অমসুং মখোয়গী পুন্সিবু শেমগৎপদা মতেং ওইগদবা থবক থৌরমশিং শান্না খোৎনবা, এক্সত্রা করিকুলর এক্তিভিটিশিংনচিংবদা পূক্নিং চঙবা ঙমদবগী ফিভম অমদা লাক্লি।

ফিভম অসিদগী স্কুল এদুকেসন দিপার্টমেন্টনা স্কুল অসি মহৈরোইশিং গী মহৈ মশিন তম্বগী য়াম্না নুংঙাইবা মফম অমা ওইহন্নবা অমসুং অঙাংশিং গী ৱাখলদা অচৌবা শাফু অমা পীরিবা অসিদগী কোকহন্নবা থাংজ নুমিৎ খুদিংমক অসিবু নো স্কুল বেগ দে হায়না লাওথোকখ্রে।

নো স্কুল বেগ দে অসি ষ্টেট অসিদা লৈরিবা গভর্ণমেন্ট, গভর্ণমেন্ট এদেদ, অনএদেদে। প্রাইমারি স্কুলশিংদা তম্লিবা ক্লাস ৱানদগী আইট ফাওবগী মনুংদা তম্লিবা মহৈরোইশিংদা মসি চৎনবা হৌরগনি। মরম অসিনা স্কুল ছুটি লৈতবা থাংজ নুমিৎ খুদিংমক্তা মহৈরোইশিংনা স্কুল বেগ পুরোই অমসুং স্কুলশিংনা অঙাংশিংগী হৈশিংবা হেনগৎহনগদবা থবক থৌরমশিং পাঙথোকহনবীনবা অমসুং এক্সত্রা কো-করিকুলার এক্তিভিটিশিং, শান্না খোৎনবা, রিক্রিয়েসনগী থবক থৌরমশিং পাঙথোক্তুনা স্কুল অসি খ্বাইদগী নুংঙাইবা মহৈ তম্ফম অমা ওইনা মহৈরোইশিংদা ফাওহনগদবনি হায়না পল্লি।

হিরম অসিগী মতাংদা কম্মিস্নার এদুকেস (এস) টি রঞ্জিৎ আই এ এসনা পাউচে অসিদা হায়, খোঙথাং অসি এদুকেসন মিনিষ্টর টি ঐচ রাধেশ্যামগী মীৎয়েং মখাদা তরেৎ তরা থোক্ন খন্নরবা মতুংদা ফিরেপ অসি লৌরকপনি। হৌজিক্কী মতমদা অঙাংশিংনা মহৈ মশিন তম্বদা স্কুলগী ওজাশিং অমসুং য়ুমগী মমা মপা ওইবশিংদগী অকনবা প্রেসর কয়া তত্তনা পীবা অসিনা চহী নৌরিবা অঙাং শিংগী ৱাখল অমসুং হকচাংদা অকনবা চৈথেং ফংনবগী মরম ওইহল্লি।

অঙাংশিংগী নৌরিবা ৱাখল অসিদি নিংথিনা পোত্থাদুনা লৈহন্নবগী তঙাইফদবা লৈরিবা মতমনি। মরম অসিনা অসিগুম্বা স্কুলগী অমদি মমা মপা ওইবশিংগী প্রেসরদগী অঙাংশিংবু মীকুপ খরদং ওইরবসু পোত্থাহনবগী তঙাইফদবা অদু য়েংলগা খোঙথাং অসি লৈঙাক্ন লৌখৎপনি।

অমরোমদা দাইরেক্তর এদুকেসন (এস) টি ঐচ কিরনকুমারনা হায়, লৈঙাক্না পায়খৎলিবা খোঙথাং অসি খুদক্তগী চৎনবা হৌরবসু অঙাংশিংগী চহীগা চান্নবা স্কুলশিংদা পায়খৎপা য়াবা থবক থৌরমশিং লেপথোক্কনি। লৈঙাক্কী খোঙথাং অসি মপুং ফানা থবক ওইনা পাঙথোকপা ঙমহন্নবগীদমক য়েংশিন্নবা মরী লৈনবা কম্মিতিশিং শেম্লগনি।

অসিগুম্বা নুমিৎ অসিদা স্কুলশিংনা অঙাংশিংবু ক্বিজ, শান্না খোৎনবা, অঙাং মশেলগী মরক্তা ক্লাস অমগা অমগা ৱারী ৱাতায় শান্নহনবা, অঙাংশিংদা পূক্নিং লৌশিং ওইবা য়াবা ৱাফমশিং অখঙ অহৈ কৌরগা তাহনবনচিংবা কয়া পাঙথোকপা য়াই হায়খি।

# চীংমী-তম্মী মীৎকুপ...

*লমায় ১গী মখা...* ওটৈনোমিনচিংবা অমত্তা শেম্বা য়ারোই হায়না মেমোরেন্দম কয়া পীশিনখ্রে। হায়রিবা মেমোরেন্দম অসিগী পাউখুম ঙসি ফাওবদা প্রাইম মিনিষ্টরনা পাউখুম পীরকপা লৈত্রি। হীরম অসিগী মতাংদা মণিপুর লৈঙাক্নসু লৈঙাক্কী ওইবা ফীরেপ অমা মীয়ামদা লাউথোকপগী তঙাইফদবা লৈরে হায়না ফোঙদোকখি।

# মখোয় পূনশিন্নবা ঙমদ্রগা কমদৌনা য়ুনিটি ...

*লমায় ১গী মখা* লৈরবসু মতম অদুদা গভর্ণরনা সিট ২১ খক কাবা বি জে পিদা হেন্না খুদোংচাবা পীদুনা লৈঙাক অসি শেমহনখিবনি। মসিমক লৈবাক অসিগী লোদা অচৌবা শীংনবা অমনি। মসিতসু নত্তনা পার্টি অতৈদগী কারকপা অমদি ইন্দিপেন্দেন্ট ওইনা কারকপা মীওই খরগা পূনশিল্লগা বি জে পিনা লুচিংদুনা কোলিসন গভর্ণমেন্ট ওইনা শেমখিবা লৈঙাকঅসিনা হৌজিক ফাওবা কোলিসন অসিগী অকক্লবা মমিং অমা থোন্দবা অমদি কোলিসন অদুগী অকক্লবা চংন-কাঙলোন শেমদুনা লৈঙাকপগী থবক তৌদবা অসিমক্ন লৈঙাক অসি মপু পান্দবা লৈঙাক অমগা পাঙ্খক ওইরে।

গাইখাঙমনা মখা তানা হায়, মীওইবগী পুন্সিদা অকা-অকুম নাইবগুম পোলিটিক্সকীসু অকা-অকুম লৈগনি। হন্দক ঐখোয়না লৈঙাক পায়বা ঙমদ্রে হায়দুনা করিসু ৱাখল হন্থফম থোক্তে। মমাঙগী মীখল অদুদসু কোংগ্রেস পার্টিনা সিট ৬০ গী মনুংদা সিট ২৮ মায় পাক্তুনা সিঙ্গল লার্জেষ্ট পার্টি অমা ওইদুনা মীয়ামগী ওইবা মেন্দেট ফংখ্রিবা অসিনি।

হন্দক পার্টি অসিগী অনৌবা থৌশিল ওইনা ষ্টেট অসিগী দিষ্ট্রিক্টশিংদা লৈরিবা কোংগ্রেসগী ব্লোক লেভেল খুদিংমক্তা পার্টিগী লুচিংবশিংনা হকথেংননা চৎতুনা ব্লোক লেভেলগী ৱার্করশিংগা উন্নদুনা ইন্টরেক্সন প্রোগ্রাম পাঙথোক্তুনা পার্টিগী থবক থৌরমশিং ৱার্করশিংদা মমুৎ তানা খঙহনবা অমদি মখোয়গী অপাম্বা, অৱাৎপা অমদি তৌনিংবা থবকশিং অদু পার্টিগী লুচিংবশিং অসিদা হকথেংননা খঙহনবগী তাঞ্জা অমা পীরি। মসিনা পার্টি অসিবু গ্রাসরুট লেভেলদগী হৌনা শেমগৎতুনা লৈবাক শিনবা থুংনা অকনবা ঈনোৎ অমা শাগৎপা ঙমগনি।

থৌশিল অসি হন্দক লাক্কদৌরিবা কুমজা ২০২২ গী ষ্টেট এসেমব্লি ইলেক্সন অসিদা সিট ৬০ গী মনুংদা সিট ৪৫ দগী তাদনা পার্টি অসিগী এম এল এশিং পুথোক্নবা পান্দম হৌদোকখিবনি। অসুন্না ব্লোক লেভেলশিংদা পার্টি অসিগী লুচিংবশিংনা চৎতুনা ইন্টরেক্সন প্রোগ্রাম পায়খৎপা অসি ইন্দিয়া পূম্বগী ওইনা ষ্টেট অসিনা অহানবনি। ষ্টেট অসিনা হৌদোক্লিবা থৌশিল অসি থাগৎপা ফোঙদোকপগা লোয়ননা ইন্দিয়াগী অতৈ ষ্টেটশিংদসু পায়খৎলগনি হায়না ওল ইন্দিয়া কোংগ্রেস কম্মিটিনা খঙহল্লক্লে হায়না গাইখাঙমনা মখা তানা হায়খি।

হন্দক ইলেক্ত্রোনিক মেডিয়া অমদি পাউচে খরদা কোংগ্রেস অমদি বি জে পিদগী এম এল এ খরা তোক্লক্লগা অনৌবা রিজনেল পোলিটিকেল পার্টি অমা শেম্বগী ৱাফম লাক্লিবসিগী মতাংদা পাউমীশিংনা হংবা ৱাহংগী পাউখুম পীরদুনা গাইখাঙমনা হায়, ৱাফম অসিদা করিসু থাজনিঙাই ওইদে, মীওই খরনা তোকঙা শন্দোকপা ওইগনি। মীওই কাঙলূপ খরা মখোয় মশেলগী মরক্তা খৎনবা অদুদা নুং ঙাইজদদুনা অতৈদসু মরাল শীবা য়ানবা কোংগ্রেস পার্টিগী মিং পল্লগা তোকঙা শন্দোরকপা ওইগনি। হৌজিক লৈরিবা কোংগ্রেসকী এম এল এ ২০ মক অমত্তা লেঙদনা লৈগনি।

অমরোমদা, লৈঙাক পায়রিবা কাঙবু অসিগী হৌজিক ওইরিবা ফীভম অসিদা চঙশিল্লুবা হায়বসি য়ান্না মরম চাদবা অমনি, হান্না চঙখিবশিং ফাওবা করি নুংগীনো হায়না খন্নরবা মতমনি হায়না মহাক্না মখা তানা হায়খি।

থৌরম অসিদা হেংলেপকী পি সি সি মেম্বর টি মঙা ভাইফে, এম পি সি সিগী ভাইস প্রসিদেন্ট এম ওকেন্দ্রো অমদি এম পি সি সিগী ভাইস প্রসিদেন্ট মঙ্গিবাবুনচিংবা পার্টি অসিগী মরু ওইবা থৌমী কয়ানা শরুক য়াখি।

# ঈকং থোকপগী মতাংদা লৌমীশিংগী খন্ন-নৈনবগী...

*লমায় ১গী মখা...* তকশিনখিবা লৈরে। অদুবু থেংলবসু থেংনা লৈঙাক্ন লমদম অসি ঈকং থোকপা লমদম অমা ওইরে হায়না ওফিসিয়েল ওইনা লাউথোকপীরকপা অসিদা লৌমী অমা ওইনা তরান্না ওকই।

ঙসি শীল্লিবা মীফম অসি ঈকং থোকপা অসিগী লৌমীশিংদা মতেং পাঙননবা থাদরক্কদৌরিবা মতেংশিং অদু লৌমীশিংদা নীংথিনা য়ৌগদৌরিব্রা নৎত্রগা হান্নগুম্না লৈঙাক্কী অচৌ-অশাং, য়াইতোং ফমতোংবশিংগী ওইখিগদ্রা হায়বসি লায়রবা লৌমীশিং সিদা চিংনবনা মরম ওইদুনা লৌমীশিং গী অপাম্বা অমদি করম্বা মওংদা লৈঙাক্না থবক তৌবিরক্লগা ফংফম থোকপশিং অদু মতম চানা অমদি মরম চানা ফংহন্দুনা লৌমীশিংদা হেন্না খুদোং চাগদগে হায়বনচিংবা কয়া অদু কুপ্না খন্ননবা মীফম অসি পাঙথোকপনি হায়না মহাক্না মখা তাখি।

মীফম অসিদা লৌখিবা ৱারেপশিং অদুদি, লৈঙাক্না ঈকং থোক্কে হায়না লাউথোক্লিবসি তশেংনা ঈকং থোক্লিবা মফমশিং অদু লোইনা কোনশিল্লিব্রা হায়ববু খঙদোক্তুনা ঈকংগী কম্পেন্সেসন পীবদা লৌমী অমত্তা চিংথহন্দবা, লৌমীশিংদা পীগদবা কম্পেন্সেসন অদু মতম চানা পীবা ঙম্নবা হোৎননবা তকশিনবা, ঈকংগী চৈথেং ফংলবা লৌমীশিংগী মচা-মশুনা মহৈ তম্বদা লৈঙাক্ন মীৎয়েং চঙবিনবা, কম্পেন্সেসন পীনবগী শেম্না লৈঙাক্কী কম্মিটিদা সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসনশিংগী মীহুৎ য়াওহন্নবা হায়জবা, মণিপুরগী ঈথৈ লৌখোংদা ঈশিং পীনবা লৈরিবা বেরেজ শিং মথৌ নীংথিনা তৌরিব্রা হায়বদু নৌনা য়েংশিন্নবা তকশিনবা অমদি ফেক্ট ফাইন্দিং টিম অমা শেমদুনা লৌউ-শিং উবদা মরী লৈনবা লোইশঙশিংগী মথক্তা য়েংশিন্নবা লৈঙাক্কী ওথোরিটিশিংদা হায়জবা, লৌমীশিংগী তেল্লিবা লোনশিং কোকপীবা, লৌমীগী পোলিসি অমা শেম্বীবা হায়বনচিংবা হীরমশিং অসিনি।

মীফম অসি লোইরবা মতুংদা ৱারেপশিং অসি য়াওবা মেমোরেন্দম অমা মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টর এন বিরেনদা পীশিনখি।

# ক্ষেত্রিময়ুম লানথাবা...

*লমায় ১গী মখা* থবক্কী রিপোর্ট পীরক্নবা হায়বদসু পীখিদে।

অসিগুম্বা অশোয়বা কয়া লৈরবসু, পার্টিনা ঐখোয়গী মেম্বরশিংগী অরান অশোই চুমথোকপা অমদি ঙাকপীবা হায়বা ৱাখল্লোন অদুগী মতুং ইন্না সেন্ত্রেল কম্মিটিনা কেপ্তেন লানঙম্ববু পার্টিগী সি ঐচ ক্যু দা কৌখৎপদা অমদি মহাক্না ৱাখল তমীন্নবা য়াওল্লোই অমা ওইনবা হোৎনবা হায়না ৱারেপ্নখি। সেন্ত্রেল কম্মিটিগী ৱারেপ মতুং ইন্না ষ্টেন্দিং কম্মিটিগী নাকলদগী কেপ্তেইন লানথাবাদা চৈচৎ ৩০ ওগষ্ট ২০১৯ ফাওবগী মনুংদা লাক্তুনা রিপোর্ট তৌরনবা অইবা চেরোল থাদুনা খঙহনখি। অদুবু মহাক্ন পার্টিগী ৱাফম অদুবু করিসু থৌশাদনা মহৌশাগুম মীরোৎ ওইদুনা লৈখিবা অসি পার্টি অমদি এম পি এ গী থকশি খাশি অমদি চৎন কাংলোন থুগাইবা য়াওলবু শিংনবা লিচৎনি হায়না য়ু এন এল এফ না লৌই। মরম অদুনা কেপ্তেইন লানথাবা এলাইজ গৌরবী হায়রিবা পার্টি কেন্দর অসি য়ু এন এল এফ -সি সি / ৱাই এ ০০৬/ দেট ০২-০৯-২০১৯ গী য়াথং গী মতুং ইন্না য়ু এন এল এফ অমদি এম পি এ গী তাম্থোক্কে হায়রি।

য়ু এন এল এফ অমদি এম পি এ দগী তাম্থোক্লবা কে এস ঐচ লানথাবা এলাইজ গৌরমবীবু পার্টিগী মীওই অমা ওইনা উবিদনবা অমদি মহাক্ন করিগুম্বা লূপকী মিং শিজিন্নদুনা চত্থরকপা থবক থৌরমশিং লৈরবদি মীয়াম্না শৌগৎপিদনবা লোয়ননা পার্টিদা পাউ পীবিরক্নবা মণিপুর মীয়ামগী মফমদা নোল্লক্না খঙহঞ্জরি হায়না লোনা থিংখ্রবা লূপ অসিগী পব্লিসিটি ডিরেক্তরনা খঙহল্লক্লি।

# ফোঙলোইদবা পাউনি

সেপ্তেম্বর ৩ দা পাউ চে অসিগী অহুমশুবা লমায়দা ফোঙবা ‘কনা লৈজদ্রবা অঙাংশিং লেম্না মহৈ তমহনগদবনি ঃ পি দব্লিউ জি’ হায়বা হেদলাইনগী মখাদা ফোঙখিবা পাউ অদু ফোঙলোইদবা পাউনি। মসিগীদমক নুংঙাইতবা ফোঙদোকচরি। - এদিটর